## ৱারী মচা

# থৌনা অমসুং থৌনা

**থৌদাম বিক্রমজিৎ**

ইস করি মতৌনো! ঙসি উরিবা ইচে ইবেতোম্বীগী মওংসিদি মহা উপদ্রপ অমনিনা ! মাবু ঐনা খঙলকপসি ঙসি ঙরাংতগী ৱা নত্তে, চহী তরামঙারোম ফারকখ্রবনি। ঙসিগী অসুম্নদি অমুক্তসু থেঙনখিদ্রি। ঙসিগী ফিভম অসিদি ভৈরবী হায়বদু অসুম্না তৌবা জাৎলা হায়না খল্লকই।

"ঐবু থাদোকউ, করিগীনো নখোয়না ঐবু ফাজীনবীরিবা, থাদোকউসে ঐবু থাদোকউসে–ঙসি মহাচান্দানসিগী মথৱায়তদি লৌরগা ঐসু শিজখ্রগে...।

করি করম তৌখিবা ৱাহৌদগী ওইরম্লিবা ফিভম্নো ঐ খঙদে। অদুবু ঐখোয়গী দান্স কলেজ চঙফম গেট ময়াদা পাকখন খন্দুনা চা হোটেল পান দুকান ওই লৈরিবা শঙ মচাদুগী মমাঙদা কলেজগী মীওইশিংখক্তা নত্তনা অতৈ শখখঙদবা খরসু ওমশিন্দুনা তৌরম্লিবদুদা ঐসু ঙক্লা ঙক্লা চঙশিন্দুনা য়াওশিল্লুই। মহৌশা হঙ্গোইনরক্তবা, মচিন–মৌপ্বাগুম অচেৎপা নুংশি চান্নরকপগী মতৌশিংনা ঐবু লুচীংদুনা ইচে ইবেতোম্বীগী মনাক্তা চঙশিল্লুই। অদুগা মাগী মফম মরাং খঙলমদ্রবা শারী মতেক্তু মশাদা চিংখৎপীরুই।

–"কৈদৌরে ইচে...।"

– "ইচে কৈসু তৌদে থোইবা তু সিদগী লমশি শিগদবা মহা চান্দানসে থাঙনা থিনগে তৌবনি ... ইস মাগুম্বা ময়ুমদা মতু–মচা লৈরি খঙদবা লমশা অসিনসু ঐখোয়বু মী নত্তবদৌনা ইনাক্তা ওক্তবীসিকা পুদুনা লাক্লিবসিনি য়েংউ তু ... সে ঐবু থাদোকউ ঙসিদি লমশাসে নুপী ঐগী ইতিক খঙহনগে...।"

রিক্সা মথক্তগী হাওফি অমা ইল্লগা ৱা – লান ঙাংদা মরু লুকথ তুমিন ফল্লিবা নুপাদু ঐসু উরকই। মনাক্তা মমীৎ ইরা চেন ইথক থক্কৎ হায়ফম তৌফম খঙদা লেপ্লিবী চীংমী নুপীদুসু উরকই। মখোয়বু উবগা ঐ ভাব তাই। নুপাদু ইচে ইবেতোম্বীগী মপুরোইবনি অদুগা নুপীদুনা চহী তরারোমদগী লৈমিন্নরকখ্রবী মাগী চীংমী নুপী। হান্না শকখঙনবদি নত্তে। চুম্লমগনি থাজনা খনবনি। অদুনা ইচে ইবেতোম্বীবু –"অমুক্তা তপথবীখো মীয়াম মমাঙসিদা ফজদ্রে" হায়দুনা থেমজিল্লন্নগা ঐহাক রিক্সা মনাক্তা চঙশিল্লুই।

–"করি তৌরে তামো থাজদনা ...!"

রিক্সা মথক্তা ফল্লিবদুনদি করিমত্তা খুন্নক্তে, মনাক্তা লেপ্লিবীদুনা খুন্নকই–"ইনাও, ওচাগী হকচাংসে য়াম্না নাপনিকো, উখুলগী হোস্পিটালদা য়েংপতা ইম্ফালদা নৎত্রপতি শিপা য়াইকো হায়বীপতগী হৌচিক্তা বসতা লাকপনে অতুদা ওচানকো সিতসু ইনফোর্ম তৌরমসে হায়পীপতগী লাকপনেকো... ওচাসে য়াম্না সেরিয়স ওইপনিনে...।" হায়না হায়না নুপীদু ফিজিনা মমায় খুমদুনা হিক–হিক কপথোরকই।

ঐ ৱা মখা তারুদ্রে, ঐনা তৌফম থোকপনি হায়না খুদক্তা খল্লকপশিংদু তৌরে।

–"তামো সিদগী খরা নকপগী হায়রগদি জেএন হোস্পিটাল তারে, ইচেখোয়গীগা নক্লবা হায়রগনা রিমস, করম্বদা ফগনি খনবীরো অদুগা হৌজিকমক হান্না য়ৌবীরম্লো ঐখোয়সু লাকচরগে, করিমত্তা চিংনবীরুনু ননাওনা পূম্নমক, ফনবা শীঞ্জরক্লগে।"

– "ফরে ইনাও ঐখোয় চৎলম্লগে, ঐ য়াম্না ৱারে অনকপা জেএনদা হেক্তা চৎলগে... ইনাওখোয়না মহাকপুদি অমুক্তং থেমজিনবীহৌ...।" শ্বর থবেৎ–থবেৎ হোন শোম্থাংননা নুপাদুনা হায়রকপনি।

মখোয় চৎহনখ্রে, পাকখন শঙ মনুংদা ময়াম্না ফানরিবা ইচে ইবেতোম্বীগী মনাক্তা অমুক চঙশিন্দুনা হায়রুই– "ইচে মখোয়সু চৎখ্রে, ইংথরো সে, মীয়াম মমাঙসিদা ফজ দ্রে। লাকও চংলসি।"

হন্দক্তি ইচে ইবেতোম্বীদু করি খল্লক্লবনো!

মচিন্দা ঙাঙলম–শোল্লম্বশিংদু লেপখ্রে। মহুৎ ওইনা হিক–হিক কপ্লক্লে। ইংথরকপগী মতৌনি। অদুনা মহাকপু কলেজ মনুংদা পুশিনবীখিনবা লৈরম্লিবা ওঝা নুপী অমদি ছাত্রীশিংদুদা ইঙ্গিৎ তৌদুনা পুশিলহনখি।

– "ইন্দোন করম তৌনখিবনোনে?" ময়াম কায়নখ্রবা তুংদ ঐহাক্লা পাকখন শঙগী পোৎফম ফম্বী ইন্দোনদুদা হংবনি।

–"অঙকপা মতৌনিদা ইবুঙো পি.ও., ওঝা শান্তিখোয়গা নুপীমচা নুপামচা খরগা ঙসাই অয়ুক্তগী জগোই ঔরাইবগী হন্ননবা থোরকপগী তাঞ্জামক নৎলমদ্রবদি শিবু শিনরমগনিদা, নচে ইবেতোম্বীগী নুপাদো চহী কুইনা উমনলক্ত্রবনিনা মশকপু খঙলুদ্রে নুপীদুগা রিক্সাদা লাক্লগা ঐবুদি মানা খঙবীরিমাল্লে – ইন্দোন ঐ ইবেতোম্বীহোইগী বসন্তনে মাবু কলেজ কারকখ্রবরা অমুক্তা কৌথোকপীরুবা হায়বদে, ইবেতোম্বী কারকখিবা উহৌবনিনা ঐদি হরাও –হরাও চঙদুনা লক্লবোই–করিবোই হেক কৌথোক্লুবনিদনা অদুগদি ইমাইপেম্মা খাম্বকা নংনহৌপোত্তে কদায়দৈনো ওঝাশিংনা হৈ খায়নবগী হৈজ্রাংদু তাপ লৌরগা নুপা হাৎলুরনি হায়দুনা হেক্তা চেম্থোকখ্রিবনিনে।"

মণিপুরগী জগোইদা কখোক্লজরবা ওঝা গুরু খরনা লনাই ওইনা লিংখৎপীরম্বা দান্স কলেজ অসিনা সরকারগী মপুং ফাবা মতেং ফঙলকখিবা চহী তরারোম শুরক্লে। লোয়ননা ঐহাক্লা কলেজ অসিদা প্রোগ্রাম ওফিসার ওইনা থবক তৌরকখিবসু চহী অদুম মান্নরে। ঐহাক্লা প্রোগ্রাম ওফিসার ওইনা কলেজ অসিদা হেক চংলকখিবগা শকখঙ মায়খঙনদুনা অমনা অমবু থাজনদুনা লোয়নরকখিবা কয়াগী মনুংদা, মতম চুপ্পদা কলেজ অসিগী মমায় ঙাকপী আর্টিষ্ট অমা ওইরক্লিবী ইচে ইবেতোম্বীসু অমনি।

ইচে ইবেতোম্বীগী মরন্নাই পুন্সিগী মরমদা ঐ কয়া থোয়না খঙদে। খঙলুবগী মরমসু লৈতে। ঐনা খঙজবা হায়ববু মহাক নুপী ঙাক্তা পোকপী মমা মপা অনীগী মচা নিঙোল অহুমগী ইতোন তোনবীনি। চাবা–থকপা ৱাত্তবা ইমুংগীনি। মশানা পামজরকপা মতুং ইন্না দান্স কলেজ অসিগা হৌদোকমিন্নরকপী ছাত্রী অমা ওইরকপগা লোয়ননা কলেজ অসিনা মপান লৈবাকশিং য়াওনা উৎলু –উৎলুবা জগোইগী শো কয়াদা মায়পুনরকপী আর্টিষ্ট অমা ওইরকই। মাগীদি পূম্নমক জগোইনি।

ঐনা খঙলকপদদি ইচে ইবেতোম্বীসি ময়ুম পাল্লম্বতা নত্তে মচা অনীসু লৈরম্লে। মাগী নুপাদু স্কুল ওজা ওই হায়। ইম্ফালদগী খরা লাপ্পা মফমদগী লাক্তু না ইচে ইবেতোম্বীখোয়গী মনাক্তা ভারাদা লৈরদুনা লাইরিক তম্লকখিঙৈদা মখোয় অনী খঙনরকখিবনি হায়। লুহোংলবা মতুংদসু ইচেখোয়গীদা অদুম লৈমীন্নরম্বদু ঐ খঙহৌই।

চপ চাবা ৱারী ৱাখোঙ মুন্না খঙহৌদ্রবসু, ঐহাক্লা ইচে ইবেতোম্বীগী পুন্সিনা মায়োক্লখিবা অৱাবগী মশক খরা শকফম অমসুং মতৌশিংদগী খঙবা ঙমখি।

ইচে ইবেতোম্বীগী নুপানা ইচেবু জগোইদগী লাপথোকহন্নিংখি। ময়ুমদা পীক্লিবা মচা অনী অমসুং মপুরোইববু হুন্দোক্লম্লগা জগোইগীনি হায়দুনা নুপী অমনা থাপ্ল থাপ্লবা মীরমদা করিদা পংচত্তা চত্তুনতা লৈবদু নুপানা পামদে। অদুবু জগোইনা মপুন্সি ওইরবী অমগী মফমদা মপুন্সিগা খায়নৌ হায়বদু ইচে ইবেতোম্বীনা ঙমখিদে। মদুগী উংখৎনখিবশিংদুগী মমিশিং ইচেগী মায়থোঙদা তাখিবা, ঐ থেঙনখি। মদুগী মতুং খরা লৈরগা মীঙোন্দগী, অচুম্বরা চুমদবরা ৱাফম খরা তাখি চীংদা পোষ্টিং তাবা কাঙবুনা তমদা লাক্লবা শি না কিদখৈ হোৎননরিবা মরকসিদা ইচে ইবেতোম্বীগী নুপাদুদি মশানা থওইনা ৱানোমজরগা উখুলদা চৎখ্রে, চৎখিবদগীদি য়ুমদসু কয়া তোয়না লাকখিদ্রে।

মতুং চহী অহুম্লোম হায়রকখিবগী অদুৱাইদা অমুক কলেজ মনুংদা নিনফুং নিনফুং ঙাংনবা তাখি। ইবেতোম্বীগী নুপাদো উখুল নুপী অমা লৌরেয়ে। মতমদুদদি ইচে ইবেতোম্বীসি মাগী হোৎনজমন্না কলেজ অসিদা আর্টিষ্ট ওইরম্বদগী দেমোন্সট্রেটর অদুদগী ওঝা ওইরক্তুনা ঙসি ফাওবা লোয়নরক্লিবসিনি। অশুক কুইরক্লবা, ঐনা খঙজবা চহী তরারোমগী ৱারী অসিদা ঐনা ইচেগী মরন্নাই পুন্সিগী মরমদা খঙনিং হংনিংলুখিবা কয়া য়াওখিদে। অমুকখক্তি, ইচেবু পোকপা পাবুংদু মশা ঙমদবদগী হোস্পিটাল য়ৌনখিবা মতাং অমদা ঐনা ইচেদা শোম্থাংননা হায়খি–"তামোদুনা য়ুমদা লৈবীরম্লবসু খরদি মফরমগদবা...।"

–"ইবুঙো থোয়বা, মাগী ৱা ইচেদা অমুক পল্লক্লনু, মাগী মমিংদি ঙসি ফাওবা মুখৎত্রিদনা ইপুন্সিসিদগী ... ইচা অনীসু লৈরি অদুগা মাগী মমিংগী মখাদা ঐসু হিংলিদনা, অসি মঙাইরে মাবু ফঙজরুবগী লাইবক ফবা, লমনদুম তোনশিল্লবনি...।"

ইচে ইবেতোম্বীবু ঙসিগী ওইনদি নিংথিনা ঙাইহাক পোথাহনবীরগা ছাত্রশিং কনা কনানো খরগা লোয়ননা ময়ুম ফাওবা থিলহনবীরুনবা প্রধান গুরু অমদি অতৈ ওজাশিংদা হায়জরম্লগা ঐহাক হোস্পিটালদা চৎলি। মখোয় কেজুয়েলিটি ৱার্দকী মচি অমদা লৈরম্লি। হিদাক্কী মচলশিং য়াল্লবা দ্রিপ্পচিংবদি কাপ্পা হৌরম্লে। ডাক্তরশিংগী মতুং ইন্না খরা শাখিশনখ্রবা মেলেরিয়াগী ষ্টেজ ওইরমগদবা মাল্লি, ঈনচিংবগী টেষ্টশিং তৌথোক্লগা চপ চাবা খঙগনি হায়রকপদগী ঐহাক্লা অঙম্বা থবক খুদিং চেল্লম্মী। টেষ্টশিং তৌবগী, হিদাক লাংথক লৈবগী, ৱার্দতা ফমুং ফঙনবগী, চান–থক্লবগী পূম্নমক লৈখায় তারবা মতুংদদি নুমিদাংৱাই ওইরে। চীংমী নিঙোল ইচে অদুদা মপুক্লিং চাউথোকচনবা হায়বা য়াবা ৱাফম কয়া হায়রম্লগা অমদি মখোয়গীদি ঐখোয় লৈরি হায়বগী থাজবা পীরম্লগা ঐহাক ইচে ইবেতোম্বীহোই ময়ুম তম্না লাকখি।

–"ইচে তামোগীদু চুম্নগী মেলেরিয়ানিদি হায়ববু খরা কুইশিল্লক্লবা ওইবনা জোন্দিসনে করিনে ইপুন পুল্লমাল্লে, খরা নিংথিনা লায়েংহৌদ্রবদি লাইবক থীবসু য়াবা জাৎনি... হোস্পিটালদা লৈহৌরিবী ইচেদুসু কয়া মীশিং নাশিংবা মান্দে য়ারগদি ইচে...।

–"থোয়বা য়ারে মখা তারনু... মচৎকী হায়রুরবদি শিখিবনা ফরবনি, অদুবু মা শিহনবা য়াদ্রি থোয়বা, মরাইবক থীরবা ইচা অনীবু হেন্না মরাইবক থীহন্দুনা লুখ্রাবী মচা হায়বা মিংথোল পীবা য়াদ্রি অদুগা ইচেগী থম্মোয়দা জগোইগী অনৌবা শাথেক্কী ময়োলসু চোংলিনে, ঐসু লুখ্রাবী শীংদা চন্নিংদ্রি থোয়বা...।

হায়না হায়না ইচে ইবেতোম্বীদু ইনাক্তা ফল্লম্বদগী তপ্পা হৌগৎখিদুনা, ফমফম কাদুমক্কী কাচিন অমদা থারিবা য়োৎকী অলমারিদুগী থোঙ হাংদোক্তু না মনুংদগী শেল চবুন অমা লৌথোক্লগা ঐঙোন্দা অমুক ওনশিল্লকই।

–"থোয়বা ইচেগীদি নহাক নত্তনা কনাসু লৈজদে, সে শেলসি খরা লৌশিল্লু, নহান্তা ফঙখিবা তলবকী শেনফমদুনি কায়দ্রিবনি, মসিনা কোন্নদ্রবসু ইচেগী লিক কোন ময়াম অমা লৈ চিংননিঙাই লৈতে, নহাক্লা ইচেবু নুংশিবীদুনা খরা চেকশিন্না অমুক্তা চেনবীয়ু...।

ইচেগী মতৌদুদা ঐ করি খুমগনি খঙদনা চঙক্লনা লৈ।

–"শেলসি লৌশিল্লু থোয়বা, সে লৌশিল্লো, ঐগী বিদ্যাগী থৌনা মাঙহনবীখিগনুনে...।"

## তাবুনুংদগী

*(ইন্দিয়া অমদি মণিপুরনা নীংতম্বা ফঙগদবা চহী অমা ৱাংলিঙৈদা মতম অদুগী মীৎয়েং শানবা লুচিংবা শিংনা নীংলম্বা অমদি হেন্না চাওবা মণিপুর অমগী মঙ মঙলম্মী। এপ্রিল ৫, ১৯৪৬ তা ৱাংখৈ অয়াংপল্লিদা ফমখিবা নিখিল মণিপুর মহাসভা অমসুং মণিপুর প্রজা মন্দল পুন্না ফম্বা মীফম অমদা লৌখিবা ৱারেপ অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি)*

সভা অসিনা লেপ্পদি ভারতনা স্বাধীন ফঙলগা স্বাধীন ভারতকী মনুংদা মণিপুরসু মশানা ঙাকচবা মাগী শিক্ষা, সংস্কৃতি, অর্থ নৈতিক, রাজনীটিনচিংবা চাউখৎনবা হোৎনজবা ঙম্বা অমসুং চীংগী ইচিল–ইনাও, মুসলমান ইচিল–ইনাও পূম্নমক্কী চপ মান্নবা অধিকার লৈবা, স্বাধীন মণিপুর রাজ্য ওইনা লৈবা মণিপুরগী মনাক কাছারনচিংবদা লৈবা মণিপুরীশিংনা পাল্লবদি মখোয়না লৈবা লম অদু ফাওবা হায়রিবা স্বাধীন মণিপুর রাজ্যগী সিমনা মনুং চন্না লৈবা। অদুগুম্বা স্বাধীন মণিপুর রাজ্য অদুনা বারতকী করম্বা প্রদেশতা লৈগদগে নৎত্রগা তোপ্না লৈগদ্রা হায়বনচিংবা লৈবাক্লা পাম্বা (গনভোৎনা) মতুং ইন্না ওইবা। রিজোঃ অসিগী কোপি অমা ভাইসরয়, আসামলাট অমসুং আসামগী প্রদান মন্ত্রিদা থাখিবা লেপ্নরে।

## মণিপুরী পান্থৈ পাওৱৌ পাওতাক

**১০২। খাবৈ থৈবা**

–পোৎ য়েনবদা মশাগী নৎত্রগা খঙন –চান্নবগী তুমিন্না, তোঙান্না পীবা।

**১০৩। খাবৈ–খরা শাবা**

য়ৈখায় থিনগায়বা, ৱাহনবা ।

**১০৪। খাবৈ পায়বা য়াল্লবদি থোংলিবদু ৱায়োং চাবা হৌনদে।**

–লৌথোক–লৌশিন তৌবা।

–চোয়–চাং তৌবা।

**১০৫। খাইদোক খাইজিন তৌবা**

– লৌথোক–লৌশিন তৌবা।

– চোয় চাং তৌবা ।

**১০৬। খাইদোকপা হৈতবা, তিনশিনবদা খঙবা মীনি।**

– পীথোকপা হৈতবা, লৌশিনবদা হৈবা মী।

**১০৭। খাইবুং খাইবুং তৌবা**

–তিন্নবা য়াদ্রবা, লোন্দিন্নদবগী মওং।

**১০৮। খাইচেৎ খাইবুং নাইবা**

– মচেৎ মচেৎ তারবা, তিন্নবা য়াদ্রবা।

**১০৯। খাজোক খাজোক তৌবা**

– খাগুম লাক্কুম তৌবা।

**১১০। খাউবুনাইদদি কনাসু চাউবা লৈতে।**

– মনাই মশলদা মান্নবা মীৎয়েং থম্বা।

**১১১। খাউবুনাইদসু ৱা তান্নৌ হায়বা লৈবনি।**

– অরুবা মতাংদদি মখা থাবা মীগী পাউতাক লৌবসু ফৈ।

**১১২। খাঙবা কল্লগা ফমেন ফম্মী, শায়বা কল্লগা ওইনম্মী।**

– অখাং কনবা মীনা মায় পাকই।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কা উনবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ অথোইবা অহিং**
**অইবাঃ কাংজম পদ্মকুমার**
**ফোঙবাঃ কাংজম পব্লিকেসন্স**
**মমলঃ লুপা ৫০ /–**

কাংজম পদ্মকুমারনা ইবা 'অথোইবা অহিং' হায়বা লমায় ১১৯ পানবা মমলনা লুপা ৫০ পীবা ৱারী মচাগী লাইরিক অমনি। লাইরিক অসি কাংজম পব্লিকেসন্স, ইম্ফালনা খৃষ্টকী কুম ২০০২ দা অহানবা ওইনা পদ্মা প্রিন্টর্স, পাউনা বাজার, ইম্ফালদা নম্লগা পুথোকখিবনি। লাইরিক অসিগী মখুম্না সাপম নন্দনা শেম শারগা কপি মশীং ৫০০ খক নম্লগা ফোঙখিবনি। ৱারী মচাগী লাইরিক অসিদা য়াওরিবা ৱারীমচাশিংদি 'লান লোইরমদাইদা', 'মীগী মরাইবক', 'পুখ্রম্বম ইপু', 'ডাক্তর', 'তীর্থ চৎপা', 'ইমা', 'মনি হৱাইয়োনবী', 'যাত্রীক অমগা থেঙনবা', 'কায়দোংফম খঙদ্রবা চেক্লা', 'পুজারী', 'অৱাবা', 'থাদসু মায়হিং কাই', 'অপোম্বা লৈগী মঙলান', 'থায়নগী লৈরাং', 'পুনে জঙ্কসন্দা ', 'শিবা ঙাইনবা হিংবনি', 'থাবা যাত্রা', 'মরিনি পানবগী থাবল', শিরুবদগী হল্লকপা', 'তারমদাই থাজগী মুশি মুশিবা থাবল', 'অথোইবা অহিং' হায়রিবশিংসিনি। লাইরিক অসি অইবসিগী ওইনা অনীশুবা লাইরিক্লি। লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা অইবনা মহাকপু ইনিংবগী ইন্সপিরেসন পীখিবসি মহাক্কী অপোকপনি হায়বা ফোঙদোকই। মহাক্কী অপোকপা কাংজম তোম্বা হায়রিবসি কোনুংগা শম্নরম্বা খামেন চৎপা ফঙখিবা, দোলাই তোংখিবা কৈরুংবা অমসু ওইখি। মহাক্লা কোনুংদা কাদুনা সনা পলাগী ঈশৈ শকপা, উরিপোক হোলি পালাগী লুচিংবা অমদি হৈক্রু হিদোংবদসু বিজয়গোবিন্দগী থাঙ্গপাৎতা হিয়াং তান্নবদা তেঙমায় লেপ্পা মীশক অমসু ওইখি হায়বগী ৱাফম ফোঙদোকই। লাইরিকসিদা য়াওরিবা ৱারী মচাশিং অসি থোয়না শাংবা য়াওদে। অইবসি পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও অমদি মদুগী মতুং তারকপা চহীশিংদা ওইখিবা মণিপুরী সমাজগী পুন্সি শক্তম য়েকপদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থম্মী। অইবনা মহাক্কী ৱারীমচাশিংদা ক্রিয়েটিভ ওইনা সমাজগী পুন্সি শক্তম য়েক্লবা ইরিবশিং অসি পারকপা মতমদা ওটোবাওগ্রাফিকেল নোট মানবা অসি লাইরিকসিদসু উবা ফঙই। মসি অইবনা য়াম্না সবজেক্টিভ ওইনা য়েংবা মীৎয়েংদগী য়েংনবা হোৎনবসিনা ওইরম্বা য়াই। ফিলোসোফিগী মহৈরোই অমা ওইনা হৌরকখিবনা মহাক্কী খুৎইদা ফিলোসোফিকেল ওইনা য়েংনবা হোৎনবসি ৱারী মচাশিংসিদা উবা ফঙই। মীওইবগী অফবা লমচৎ অমদি নুংশি খঙবা থম্মোয়বু অইবনা মতম লৈবা খিবিক্তা মমল য়াম্না লৌই। সজমাজসিদা হিংমিন্নরিবা মীওইশিংগী মরক্তা ভাব তামিন্নবা, নুংশি চান্নবা অমদি হেন্না চাউখৎপা সমাজ অমবু অইবনা মতম লৈবা খিবিক্তা পামজৈ। 'লান লোইরমদাইদা' ৱারীমচাদা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরমদাইদা জপান্না বোম থাদরকপদগী মপুরোইবা লৈখিদ্রবা মৌনহা অমগী মরমদা ৱা পরীং অমা শাগৎলি। ৱাসিদা মীওইবা হায়বসিগী অশেংবা মরমচৎসি করিনো হায়বা উৎনবা হোৎনরি। অমুকসু লান হায়বসিনা মীওইবগী শেংলবা লমচৎপু লৈখা তাহনবতা নত্তনা মীওইবগী পুন্সিবু শেলনা মমল তিক্লবা য়াবা, য়াম্না হন্থবা থাক্কী পুন্সি ওন্তোকপা মতৌবুসু অইবনা উৎনবা হোৎনরি। অইবগী ৱারীমচাশিং অসি ফিলোসোফিকেল ওইবতা নত্তনা সাইকোলোজিকেলসু ওই। পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও অসিদা মণিপুরীশিংনা হকথেংননা শরুক য়াখিদ্রবসু বৃটিশকী মখা পোনবা লমদম অমা ওইরুবনা লাঞ্জাওগী চৈথেংদি মণিপুরদসু ফঙখি। মতমদুগী মণিপুরী সমাজদা লৈরম্বা চৎনরোল, মীশিংগী অচম্বা পুন্সিরোল, মীগা মীগা থাজনা নুংশিনা লোইনরম্বা কয়াদু লাঞ্জাও মতুংদা মাঙখিবা, মীওইবা মশেলগী মরক্তা থাজনবা অমদি নুংশিনবা মাঙখিদুনা মীওইবা হায়বসি থাজনিংঙাই লৈতবা জীবা অমা ওইরকখিবগী পাউদম অমা অইবনা পীনবা লাক্লরি। অইবসি ৱারী পরীং শেমগৎলকপদা ফোঙদোকপগী মশক্তা টেক্লিক্তা থোইনা মপূক্লিং চঙবগী মশক উবা ফঙদে। হায়নিংলিবা ৱাফমদা মীৎয়েং থমদুনা চঙশিনবা অসি অইবগী অপাম্বনি। অদুবু মহাক্লা হায়নিংলিবা ৱাফমশিংদি ময়েক শেংই।

**আর জে মীতৈ**

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ

***জুন ১২,২০১৬, নোংমাইজিং***

নোংচুপ হারম খোরজৈ লুপ অশম্বীদা নোহাখোল য়ুরেম্বমনা শীন্দুনা লূপ অসিগী লুপা ফুদোংবা চহীগা মরী লৈননা পাঙথোক্লিবা থা খূদিংগী লাইরিক ফোঙবা পান্দমদা অনীশুবা থাগী খুদোল ওইনা মেঘা কোলোম, খুম্বোংনা ইবা "ঐগী লোইবী চীংজাউ–ও" হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অমা মণিপুর প্রেস ক্লব, মেজোর খুল ইম্ফালদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙখ্রে।

লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অসিদা খাঙেম্বম রনজিৎ মৈতৈ, সোসিয়েল ৱার্করনা অথোইবা লেঙবীরকপা, গৌরো থোঙামচা, প্রসিদেন্ট নোহাখোলনা থৌরম মপু ওইনা লেঙশিনবিখি। ডা. শগোলশেম লনচেনবা মীতৈ সাহিত্য অকাদেমী এৱার্দিনা গেষ্ট ওফ ওনর অমদি লাইরিক্কী মরমদা ৱা ঙাংবা শুপ্না ওইবীদুনা মেঘা কোলোমগী শৈরেংশিং অমমতং ওইনা লৌখত্তুনা নৈনখি। মেঘগী শৈরেংশিং শাফু কনবা মতমসিগী শক্তমবু মমি তাবা শৈরেংশিং য়াওরি । লোয়ননা মফোঙদোক ফজবা য়াওরি হায়না শিংথাদুনা শৈরেংশিংগী মরমদা হায়খি।

***জুন ১২,২০১৬, নোংমাইজিং***

ইম্ফাল কাংচুপ রোদকী ইরোইশেম্বদা লৈবা শিনফম্না ময়াং ইম্ফাল হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী লেকচরর ওইবা ইরোম মঙ্গিনা ইবা "সাইন্টিফিক জষ্টিফিকেসন ওফ মৈতৈ ফোল্ক রিলিফস" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা লোয়ননা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট খোইজুমান্দগী কানাদগী তোরাম্তো য়ুনিভর্সিটিদা মাস কোম তম্লিবা বীরকরনেলজেলজিৎ থিয়াম্না ইবা 'দি সম্মর স্নো" হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমগা পুন্না লাইরিক অনী ইরোইশেম্বদা লৈবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি (কাউ) গী ওদিটোরিয়মদা হৌনবী মতুং ইন্না ফোঙখ্রে।

থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচর অমদি রিভেন্যুগী কম্মিস্নর কাংজম রাধাকুমার (আইএএস) অমদি শারুংবম গুনেধোরনচিংবনা প্রিসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হান্নগী প্রোফেসার, ডা. যোদ্ধচন্দ্র সনসম, সাহিত্য অকাদেমী এৱার্দি অমদি এস য়ুগেশ্বরনা মথংশিংনা লাইরিক অনীগী মরমদা ৱা ঙাংখি।

***জুন ১২,২০১৬, নোংমাইজিং***

মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘলয়া (এমএসপিএম) না শীন্দুনা শিলোংগী লাইতুমখ্রাদা লৈবা মণিপুরী ফুঙ্গা রেষ্টুরেন্টতা শৈরেং শৈদিন্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শৈরেং শৈদিন্নবা অসিদা মণিপুরী অইবা অমদি অইবী ১০ না মশা মশানা ইবা শৈরেংশিং পাথোক্লখি। থৌরম অসি মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ, মেঘলয়াগী প্রসিদেন্ট ৱাই কে বি সিংহনা থৌরম মপু ওইখি। অদুগা লূপ অসিগী এদভাইজর রাজমনি নোংথোম্বনা শৈদিন্নবা অসিগী ৱাতেম্বা ওইখি।

**রাজেন খুমুকচম**

## শৈরেং

### থৱায় ১৮ গী পাউখোং

*নোংপোক ঙম্বা*

কৎহৌসি লৈনা অমত্তং ওইরবসু থম্মোয়দগী
হিংনা অশিবগী মোঙফমদা তুম্লিবা থৱাইশিংদা
নোংথক্তা তুমিন য়েংদুনা ঙাইরি থৱায় ১৮ সে
নোঙ্গৌবিগুম ইখৌ লাংনা তংদু লৈতাবতবু
হিক্লা কপ্পুনা তুফক তুফাইনগদবা নত্তে
ঈশেং কৎখিবা ঙম্বা অমত্তগী লীচিংদো
কাওঙল্লদ্রনে পেন্দবগী খোঞ্জেলশিংদো
অচুম্বগী, লৈবাক্কী, মীয়ামগী ওইবা ফিরেপ
ইশানা লৌনখিবশিংদো
ঙসিগী থৱায়সে হয়েংদুগীনি
পাউখোঙ ফোংঙল্লরোইদ্রা
পাউখোং ফোংলরোইদ্রা কেক্রুপাৎতা লাক্লিবশিং
ঙসি জুন ১৮ নি।
থৱায় ১৮ গী পাউখোং
ফোঙলরোইদ্রা "য়েক্লবা য়ামশিল্লক্লিবমখৈ"
হেন্না হেন্না ...হেন্না হেন্না ... ।।

### শা ওল্লকপা

*কুলবিধু, শিংজমৈ*

মখোঙ অনীতা মপাল্লি
মখুৎসু অনীতা,
মশক মনাসু কই
ফিজেৎ লৈতেংসু থোল্ল
মীরোলসু লোল্লি
তাইবং মী মাল্লি
মী ওইরবোই নীংই।
অদুবু
ঈ থকই
ঈখেং পাম্মী
হাৎতুনা ঈ চুপ্পী
মমাগী মথানুংদগী মচা ফাওবা।
মসিবু মীরনে!
মীদি ঈ থক্তে
শা ওইবা তাই
মী মানবা শা নৎত্রগা
মীনা ওল্লকপা শা

### লাইগী ৱা

*অমোম রাজেন*

উহৌদবশিংনা হায়নবনি
লাইনা মী শেমই।
ঐনা খঙলি উরিবদি
মীনা লাই শেম্লিবসিনি
মফম খূদিংমক্তা ।
ঙসিদি মীনা শেম্বা লাইদুগী
মতিক মগুন থানরকপদা
মী মশেল হাত্তোক্লরে,
মীনা শেম্বা লাইদুনা
করিগুম্বা উবা ঙম্লন্নগদি
ইশি–শিনা নোক্লমগনি!

### নাউশুম ঈশৈ

*আইসি অসেম*

নিহাই চাউরবা অঙাংশিংগী
নাউশুম ঈশৈ অমত্তং
শক্লিংই খৌগংলবা চিনবানসিনা,
ঈ মরীক–মরীক পক্লবা
ৱাহৈ পরেং শীজিন্নদুনা
ঈগী ঈচেলগী তাম্থাদা ।।

### ইমা

*হিজম শামুঙৌ*

লৈরাংশিংনা হায়জরি–থৎপীগনু
পামেলশিংনা লাউজরি–য়ানবীগনু
পোম্বী–চেক্লাশিংনা কপচরি –ফাবীগনু
হৌখ্রবা পুন্সিশিংনসু লাউরক্লিবা–নীংশিংবীয়ু
মীখা পোল্লবশিংনা তাল্লি–নীংতমহনবীয়ু
ঐগী পুন্সিনসু পাল্লি–মায় পাকপা
বলিগী হামেংশিংদুনদি তকশি শোল্লি,
অদুগা পৃথি ইমা
যনঙগী নতম্বাক্তা
থোক্লিবা পূম্নমকসিগীদমক্তা
করিগী তেঙথাদে নঙদি!!

### পম্থুং

*লোকেন অকোইজম*

লম্মাঙনরবা মতমসিদা
ঐনা পাম্মী
লম্বীদু খঙবা
পম্থুংফম য়ৌবগী,
অদুবু চত্তবা তারে
লমফাংনরিবনা লম্বী কয়া।

### পোলোই

*সোবীতা বাচস্পতি*

তাইবংনি খল্লুবা কয়ানা
মঙ ওইরল্লবদা
মঙদৌনা খল্লুবা কয়ানা
তাইবং ওইরক্লবদা
পুন্সি, পুন্সিসু য়োৎশিনবীখি
ঐনা কঞ্জ মঙমদনা
তারক্লিবা নুমিৎকুম
লোয়বা নাইদ্রবা অমম্বদুনা ।।